থৌনা ফবী নুপী ষ্টাফ ১২ কাবুল এয়রপোর্টতা লাক্তুনা হান্নগুম থবক তৌবা হৌখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

মমাং থাগী ময়াই চল্লকপদা টালিবাননা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা নুপীশিং যুমদগী হেনে দাক্তনবা খঙহনখ্রবা মতুং থৌনা ফরবী অফঘান নুপী ১২ না কাবুল এয়রপোর্টতা লাক্তুনা হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

কাবুল এয়রপোর্টতা হান্না নুপী ৮০ রোম হেন্না থবক তৌদুনা লৈরমখি। মদুগী মনুংদা মখোয় ১২ খক্তমক ওফিসতা লাক্তুনা হান্নগুম থবক তৌবা হৌখিবনি। টালিবাননা মপান থোক্তুনা থবক তৌবদা অয়াবা পীখিবশিংগী মনুংদা মখোয় ১২ য়াওরকখিবনি। মখোয় ১২ অদুগী মনুংদা রবিয়া জমাল কৌবী নুপী ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরকখিবদা অনৌবা ইস্লামিষ্ট রুল অসিনা নুপী ওইবীশিংবু মখোয়গী সেক্যুরিটিগী য়েংলগা য়ারিবমখৈ যুমদগী মপান থোক্তনবা খঙহনখিবনি।

অদুমওইনমক ঐগী যুমগী ওইনা পৈশা থোক্লিবসি ইতোমতনি। ঐগী অপিকপা ইচা অহুম লৈরি। মখোয় থাক্লবগীদমক হান্নগুম্না থবক তৌবা মথৌ তারি। ঐনা যুমদগী মপান থোক্তুনা থবক তৌরিবা অসি ঐগী ইমুং মনুংনা মথৌ তাবা শেনফম অদু ফংনবনি হায়না রবিয়ানা ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ৪৯ লোম শুরবী রবিয়াগী মচে কুদসিয়া জমালনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ইমুংগী ওইনসু শেল থোক্লিবা অসি মতোমতনি। মখোয়গী মচা ৫ লৈরি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মখা তানা থবক চত্তনবা মঙোন্দা অকনবা প্রেসর পীরবসু তঙাইফদনা শেলগী মথৌ তাবনা হান্নগুম থবক জোইন্ট তৌখিবনি। হৌজিক ঐঙোন্দা অকিবা লৈত্রে। ৱাখল য়াম্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইরে।

টালিবান লুচিংবা কয়ানা লৈবাক অদুদা লৈরিবা নুপীশিংগী হক মাঙহনবা য়াবা থবক তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবসু অফঘানিষ্টানগী ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈরিবী নুপী রিপ্রজেন্টেটিভ এলিসন দাভিদিয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টালিবাননা শকখিবা ৱাশকশিংগী ওন্না তৈনবদা থবক তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা যুক্রেনগী লান্মী ২ শিরে, ১০ অশোক অপন নংখ্রে

কিভ, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

লালনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরিবা যুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অমগী যুক্রেনিয়ন লান্মীশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখিবগী থৌদোক অমদা লান্মী ২ শিখিবগা লোয়ননা ১০ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না আর্মীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অসিনা যুক্রেনিয়ন লান্মীশিংনা লৈরিবা মফমশিংদা টর্গেট তৌরগা অচৌবা কেলিভর অর্টিলরিশিং, গ্রেনেদ লোঞ্চরশিং অমদি দ্রোন প্লেনশিং শীজিন্নদুনা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথরক্লি। অয়াম্বা এটেকশিং অদু লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা দোনেটস রিজনদা থোকখিবনি। য়েন্নবশিংনা লেপ্পা লৈতনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুদা লান্মী অনী শিখিবগা লোয়ননা খরনা শোকহনখিবনি।

ঙসি শিখ্রবা অমদি শোকখ্রবশিং অদু মিলিটরি পর্সনেল ঙাক্তনি। লোকেল মীয়ামদা এটেকশিং অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন নংহনখিবগী পাউ লৈত্রি। লৈবাক অদুগী দোনেটস অমসুং লুগান্স রিজনদা যুক্রেনিয়ন লান্মীশিংগা প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্ট গ্রুপকী মেম্বরশিংগা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্লবগী থৌওংশিং থোক্তুনা লাক্লি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌওংশিংদা যুক্রেনিয়ন ক্রুপ ৫২ শিখ্রে। মমাং চহীগা য়েংনরুবদা ক্রুপশিং শিবগী চাং হন্দক্না মশীং হেনগৎলক্লি। সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অসিগী ওইনসু চহী অসিগী ওইনা মেম্বর ৩০ হেন্না শিখ্রে, ৬০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা যুক্রেন অমদি লৈবাক অসিগা চৎমিন্নরিবা ৱেষ্টর্ন এলাইশিংনা যুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং অদু রসিয়ানা থোকহনবনি হায়না মরাল শীরক্লি। সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অসিদা রসিয়ানা খূৎশু খূৎলাইগী মতেং পাংবা খক্তা নত্তনা রসিয়ন ক্রুপশিং ফাওবা সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অসিগা পুন্না থবক তৌমিন্নরি। মসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি। যুক্রেন অমদি ৱেষ্টর্ন এলাইশিংনা সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অদুগী মতাংদা রসিয়ানা অহেনবা মতেং পাংই হায়বা ৱাফম মোস্কোনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মীয়ামদা রসিয়াবু লান্না লৌননবা যুক্রেননা হোৎনরে হায়রি। পনবা য়াবদি চহী অসিগী এপ্রিল থাদা রসিয়া অমসুং যুক্রেনগা তায়নবা শরুক্তা মোস্কোনা মখোয়গী ক্রুপ লাক্ষ ১ রোম দিপ্লোয় তৌবা লৈখ্রবনি।

শিরে হায়না থাজনরুরবা অল কৈদাগী লুচিংবা অমগী ভিদিও থেংনখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

চহী ২০ লোমগী মমাংদা যু এস ক্রুপশিংনা অল কৈদাগী লুচিংবশিং লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা চথখিবা এটেকশিংদা লালহৌলূপ অসিগী লুচিংবা আইমান অল-জৱাহিরি শিখ্রে হায়না লৈরুরবা মতুং ঙরাং ইখং খঙহৌদনা লুচিংবা অসিগী মিনিট ৬০ রোম শাংবা অনৌবা ভিদিও অমা থাদোরকপা থেংনখ্রে হায়রি।

যু এসতা বেজ তৌবা এস আই টি ঈ ইন্টিলিজেন্স গ্রুপনা ফোঙদোরকখিবদা ৱাশিংটননা ঙরাং ৯/১১ থৌদোক্কী অৱাবা ফোঙদোক্লিবিঙৈ মরক্তা সোসল নেটৱার্ক অমদা লুচিংবা অসিগী মিনিট ৬০ রোম শাংবা ভিদিও অমা থাদোরকখিবনি।

ভিদিও অসিদা মহাক শিদ্রি হায়বগী চপ চাবা খুদম য়াওরি। ভিদিও অদুদা ৱা ঙাঙখিবা অল কৈদাগী লুচিংবা জৱাহিরি চহী অসিগী হৌগৎলকপদা রসিয়ন মিলিটরি বেজ অমদা এটেক চথখিবা অদু অল কৈদাগা মরী লৈনবা সিরিয়াদা বেজ তৌবা হুরাজ অল-দিন গ্রুপননি হায়বা ৱাফমসু পল্লি। অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা মায় পাকখিবা অসি অল কৈদাগী ওইনসু অচৌবা মায় পাকপা অমনি। টালিবান ফাইটরশিংনা অল কৈদাগী লুচিংবশিংবু চঙজফম পী হায়বসি চুম্লবা ৱাফমনি।

জপানগী ঈশিংগী শরুক্তা চাইনিজ সব মেরিন ওইরম্বা য়াই চিংনবা ১ থেংনখ্রে

টোকিও, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

পেসিফিক রিজনদা ঈশিং লম্বীগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা চাইনাগী সব মেরিন ওইরম্বা য়াই চিংনবা অমা জপানগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা আইলেন্দ অমগী ঈশিং শরুক্তা থেংনখ্রে হায়না জপানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রীনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা জপান নেভিনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুকতা অমামি ওসিমা আইলেন্দগী মনাক নক্লা লৈবা ঈশিংগী শরুকশিংদা ভেসেল অমা তঙ্খাই য়ৌনা লুপ্পুনা লাকপা থেংনখিবনি। হায়রিবা ভেসেল অদুগী মনাক্তা চাইনিজ দেষ্ট্রোয়র অমসু য়াম্না নক্লা ইন্নরকপা থেংনখি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা চাইনিজ ভেসেলশিংনা লোগী ৱাংমদা জপানগী ঈশিং ঙমখৈ শরুক্তা য়াম্না তোয়না চঙশিল্লকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা চাইনিজ ওথোরিটিদা টোকিওগী মায়কৈদগী খঙহনখ্রে। চয়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী শরুক্তা যু এস সিপশিংনা য়াম্না তোয়না চঙশিল্লক্লিবা অদুবু চাইনানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা তৌদনবসু খঙহল্লক্লি।

অলফা কোন্দে মফম লৌথোকখিবদগী গিনিদা চরাংনবা হেনগৎলক্লি

কোনাক্রি, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

গিনিগী লুচিংবা অলফা কোন্দেনা জর্নেলিষ্টশিংদা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুবু অফবা মায়কৈদা পুদুনা চৎকদবা লুচিংবদি মহাক মতোমতনি। লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা মহাকপুনস্ফুদা মফম লৌথোরক্কনি হায়বা থাজরুদে। অদুমওইনমক মহাক মফম লৌথোকখিবা অসি লাইবকথিবনি হায়না মশাগী চহী ৮৩ রোম শুরবা গিনিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা প্রসিদেন্ট অলফা কোনেদবু দিটেন তৌদুনা থম্বগী থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদু চরাংনবা ফীভম অমদা লাক্লি। কু লিদর মমাদে দোমবৌয়ানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা লৈরম্বা পোলিটিসিয়নশিংনা গিনিগী ইকনমিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিলহল্লে। মসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা হান্না লৈরম্বা গভর্ণমেন্ট অদু ইন্থুখিবনি।

অথুবা মতমদা লৈবাক অদুদা সিভিলিয়ন লুচিংবশিং য়াওবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনরি। মীয়াম্নসু মতম খরা মিলিটরিনা লৈঙাক শেম্নবা হোৎনরিঙৈ অসিদা পামদবা থৌদোকশিং চথদনবা কোলোনেল অসিনা আপীল তৌরক্লি।

জেলদগী নান্থোক্তুনা চেনখ্রবা পেলিষ্টিনিয়ন ফাদোক ৬ কী মনুংদা ৪ অমুক হন্না ফাবা ঙমখ্রে

জেরুসালম, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

ইজরেলগী হায় সেক্যুরিটি প্রিজন অমদগী হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নান্থোক্তুনা চেনখিবা পেলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট ৬ কী মনুংদা ৪ ফাবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা গিলবোৱা প্রিজনদগী মিলিটেন্ট ৬ অদু নান্থোক্তুনা চেনখ্রবা মতুং ইজরেলি আর্মীনা ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদা অকনবা মওংদা থি হুম্বগী থবক চথদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা অহানবগী ওইনা নান্থোক্তুনা চেনখ্রবা মিলিটেন্ট ৬ অদুগী মনুংদা ২ ফাবা ঙমখি। মদুগী মতুং থাংজ নুমিত্তা অতোপ্পা মিলিটেন্ট ২ অমগা ফাবা ঙমখিবনি। মখোয় ইজরেলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা নাজরেথকী লোরিপাৎতা লোত্তুনা লৈরমখিবনি হায়রি।

ঙরাং ফাবা ঙমখ্রবা লালহৌবা ২ অদুদি জকারিয়া জুবৈদি (৪৬) অমসুং মোহমদ অরদা (৩৯) নি। মখোয় অনীমক হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা ফারবা মতুং মপুন্সি চুপ্পা জেলগী ফাদোক পীখিবনি। ইস্লামিক জিহাদকী আর্মদ ৱিং গ্রুপ অমদা থবক তৌরম্বা লালহৌবা অনী অসিনা অফঘানিষ্টান য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথখিবা বোম এটেকশিংদা মাষ্টর মাইন ওইরম্বদগীদমক পুন্সি চুপ্পা জেল ফাদোক পীখিবনি।

ক্যুইন্সলেন্দ ষ্টেটতা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনখিদ্রে, লোকদাউন লৌথোকখ্রে

কেনবেরা, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী ৩ শুবা মী খ্বাইদগী কুংনা তাবা ক্যুইন্সলেন্দ ষ্টেটতা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনখিদবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা হান্না থল্লম্বা লোকদাউন লৌথোকখ্রে হায়রি।

ষ্টেট প্রেমিয়র অনাষ্টাকিয়া পালাসজগনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫ খক্তমক থেংনখি অদুগা ঙসিনা অমত্তা থেংনখিদবনি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা থল্লম্বা লোকদাউন লৌথোকখ্রবসু য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। মখা তানা ষ্টেট অদুদা লায়না লাইচৎ অসি শনে দাকহল্লক্তনবা মরী লৈনবশিংনদি মতম খরগী ওইনা লোকদাউন থমজিনবা পাল্লি। ঙসি কোভিদকী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনদ্রে হায়দুনা ঐখোয়না লায়থোক্লা থবক তৌরবদি অমুক হন্না লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবগীদমক শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং মীয়াম্না মখা তানা ঙাক্না চৎকদবনি। ক্যুইন্সলেন্দদা কোভিদকী কেস থেংনখিদ্রবসু ভিক্টোরিয়া অমসুং ন্যুজ সাউথ ৱেলসতদি কোভিদকী কেস হন্থবা লৈত্রি।

যু এস কোন্সুলেট মনাক নক্লা লৈবা ইরাককী এয়রপোর্ট অমদা টর্গেট তৌরগা দ্রোন এটেক চথরকখ্রে

অরবিল, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

ইরাক সিটিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা যু এস কোন্সুলেট মনাক নক্লা লৈবা অরবিল ইন্তরনেসনল এয়রপোর্টতা টর্গেট তৌরগা আর্মদ দ্রোন ২ না এটেক চথরকখ্রে হায়না করদিস সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

সিক্যুরিটি ফোর্সকী ৱাঙাঙলোয় অদুনা ফোঙদোরকখিবদা এয়রপোর্টতা টর্গেট তৌদুনা ঙরাং চথরকখিবা এটেক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে। এয়রপোর্ট অসিদা এন্টি জিহাদিস ক্রুপশিংগী ওইবা কোলিসন ফোর্স অমা লৈরি। এটেক অসি হৌজিকমক্কী ওইনা কনানা চথরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রুপ অমত্তনসু এটেক অসিগা মরী লৈননা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

যু এসকী ওইনদি এটেক অদু ইরাক্তা লৈবা প্রো ইরানিয়ন ফোর্সশিংনা চথরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি। হৌখিবা থা খরা অসিদা যু এস ক্রুপশিং অমদি যু এসকা খূৎশম্নরগা থবক তৌরিবা ইরাককী ওফিসলশিংদা টর্গেট থল্লবা এটেক চথবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। ঙরাং চথরকখিবা এটেক অসি এন্টি জিহাদিস ক্রুপশিংদা য়াম্না চাওনা শীংনবা অমনি। মসিগী চপ চাবা পাউখুম এন্টি জিহাদিস ক্রুপশিংনা পীনবগীদমক শেম শাবা লোয়রে হায়না যু এসকী মায়কৈগী ফোঙদোরক্লি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	225,074,779	+456,333	4,637,748	+7,756	201,605,837	18,831,194
1	USA	41,816,668	+72,203	677,737	+719	31,857,877	9,281,054
2	India	33,232,168	+31,291	442,688	+338	32,396,131	393,349
3	Brazil	20,989,164	+14,314	586,590	+667	20,029,040	373,534
4	UK	7,197,662	+29,547	134,144	+156	5,767,761	1,295,757
5	Russia	7,121,516	+18,891	191,961	+796	6,375,160	554,395
6	France	6,897,392	+9,601	115,488	+46	6,504,169	277,735
7	Turkey	6,636,899	+22,923	59,643	+259	6,121,046	456,210
8	Iran	5,275,567	+16,654	113,824	+444	4,538,419	623,324
9	Argentina	5,223,604	+1,795	113,356	+74	5,071,793	38,455
10	Colombia	4,928,578	+1,806	125,592	+63	4,765,975	37,011
11	Spain	4,907,461		85,290		4,542,552	279,619
12	Italy	4,601,749	+5,193	129,885	+57	4,344,238	127,626
13	Indonesia	4,163,732	+5,001	138,701	+270	3,909,352	115,679
14	Germany	4,080,146	+8,539	93,118	+23	3,817,900	169,128
15	Mexico	3,494,232	+14,233	266,849	+699	2,832,038	395,345
16	Poland	2,893,173	+530	75,425	+8	2,658,101	159,647
17	South Africa	2,854,234	+5,309	84,751	+143	2,663,607	105,876
18	Ukraine	2,314,423	+3,869	54,320	+69	2,220,611	39,492
19	Philippines	2,205,926	+26,208	34,977	+78	1,985,222	185,727
20	Peru	2,160,327	+1,021	198,728	+55	N/A	N/A
21	Netherlands	1,968,832	+2,198	18,068	+6	1,876,605	74,159
22	Malaysia	1,960,500	+19,550	20,419	+592	1,700,730	239,351
23	Iraq	1,947,211	+3,086	21,445	+51	1,815,377	110,389
24	Czechia	1,682,926	+447	30,413		1,649,137	3,376
25	Chile	1,643,630	+474	37,201	+23	1,600,771	5,658
26	Japan	1,623,284	+9,160	16,690	+87	1,461,570	145,024
27	Canada	1,540,317	+2,224	27,189	+19	1,472,824	40,304
28	Bangladesh	1,528,542	+1,327	26,880	+48	1,475,235	26,427
29	Thailand	1,368,144	+15,191	14,173	+253	1,216,112	137,859
30	Belgium	1,205,516	+2,190	25,454	+7	1,105,366	74,696
31	Pakistan	1,201,367	+3,480	26,662	+82	1,082,988	91,717
32	Israel	1,168,448	+14,162	7,338	+17	1,076,916	84,194
33	Sweden	1,138,017		14,662		1,094,421	28,934
34	Romania	1,118,549	+2,648	34,961	+47	1,064,834	18,754
35	Portugal	1,054,673	+1,223	17,853	+10	999,083	37,737
36	Morocco	902,694	+3,113	13,488	+52	853,397	35,809
37	Kazakhstan	835,924	+3,676	10,238	+84	753,970	71,716
38	Hungary	814,732		30,086		778,640	6,006
39	Serbia	811,909	+5,461	7,520	+27	736,657	67,732
40	Switzerland	808,050		11,010		720,152	76,888
41	Jordan	806,501	+489	10,542	+11	783,808	12,151
42	Nepal	776,325	+777	10,936	+12	738,034	27,355
43	Cuba	737,168	+8,035	6,219	+79	692,040	38,909
44	UAE	728,266	+725	2,062	+2	719,163	7,041
45	Austria	708,173	+2,260	10,837	+5	676,436	20,900
46	Tunisia	683,700	+2,036	24,158	+72	656,187	3,355
47	Greece	613,838	+2,190	14,141	+39	570,234	29,463
48	Lebanon	612,713	+801	8,181	+12	570,186	34,346
49	Vietnam	601,349	+11,932	15,018	+273	363,462	222,869
50	Georgia	579,031	+2,533	8,146	+57	536,421	34,464

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯦꯟ
**** ADMISSIONS OPEN ****
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES .
COURSES OFFERED:
MBBS B.PHARM BE BCA BSc NURSING
BDS M.PHARM MBA BBA BSc, MSc NUTRI
BAMS PHARMA.D MCA BCOM PBBSc NURSING
BHMS D.PHARM BHM MCOM MSc NURSING
BMLT BPT, MPT GNM LLB M.TECH..etc.
CONTACT US : 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯦꯟ
ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7118/1/9-1/10

ꯌꯥꯏꯐꯔꯦ ꯒ꯭ꯔꯨꯞ ꯑꯣꯐ ꯐꯥꯏꯅꯥꯟꯁ
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
CHINGMEIRONG, IMPHAL EAST
NEAR SUZUKI NEXA
অথুবদা লোন পীজরি ঙসিমক লেংশিনবীরকউ।
➢ Only Govt. Employee, State Govt., Civil Employee only
N.B. : 12%, 13% & 14% - Central Active Service & Civil Service only.
➢ Business Loan : Licence, Current A/C - one year.
Please Contact during office hour :
7629922092
7005862472
9362323364
HL-P/6907/8-14
Sd/- Manager

ꯁ꯭ꯔꯗ꯭ꯙꯥꯟꯖꯂꯤ

ইপুথৌ হৈপোক নিংথৌগী লাইতিকয়াই পাউজেলজরি

লমতা শীংথেক-শীংথাবা শজিফু শীংশৎপা ইপুথৌ চীংউ লাইতিকয়াইনা তিনকোক-লাইকোকপীরিবা হৈপোক নিংথৌ ইপুথৌবু লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দা লৈবিরিবা অহল ইবুংঙো অঙোমচা চিংশুবম লাইচানা লাইকোন্নজদুনা ইরাৎ-থৌনীজরগা লৈরকপদগী মীওই কয়াগী তিনকোক-লাইকোকপীখিববু তুংইনজদুনা ঐখোয়গী ইচানুপী তিনচেল-লাইচেল্লম্বদু লাইয়েংবা মখৈ য়েংজরুরবসু কোকপা ঙমদনা লৈরম্বদু ইকায় খুম্নজরিবা অহল ইবুংঙো লাইচাগা তান্নজদুনা ইবুথৌগী মফমদা ইরাৎ-থৌনীজরবা মতুংদা ইচানুপীগী লায়না-তিন্না কোকচখিবা থালেন কয়া ফাখ্রে। ইপুথৌগী থৌজন্না য়াইফবা ফংজবসিদা হৈপোক ইপুথৌগী মতিক-ময়াই লৈপাক্তা পাউজেলজরি।

পাউজেলজরিবশিং :-
১) লাইশ্রম দেব সিংহ (মপা)
২) লাইশ্রম ওংবী যুম্নাম নিংঙোল অনজিতা দেবী (মমা)
লিৱা ওইনাম লৈকাই

HL-P/0032/13